

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*সেরেনা ৱিল্লিয়ম অমদি ভিক্টোরিয়া অজারেনকানা ব্রিজবেনি টুর্নামেন্টকী ট্রোফি লৌমিন্নবা*

*মুম্বাই ইন্দিয়াদা অমুকহন্না শান্নবা য়াওগদৌরিবা ইন্দিয়াগী ভেটেরান বোল্লর জাহির খান*

## সেরেনা ৱিল্লিয়মনা গ্রাফকী রেকোর্দ থুগাইবা ঙম্বা ওইসনুঃ নভারটিলোভা

*অদেলেদি, জনুৱারী ০৭ঃ* সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা হনবা লৈতনা টেনিস মশান্না শান্নরকপগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা গ্রান্দ স্লাম টাইটল কয়া লৌখ্রে। মহাক্না লৌরিবা গ্রান্দস্লাম টাইটলশিং অসি মহাক্না শান্নরিঙৈ মতমদা লৌখিবা স্লাম মশিংগা চপ মান্নে। মহাক্না ষ্টেফি গ্রাফকী রেকোর্দ অসি থুগাইবা ঙম্নবা হোৎনহন্নিংই হায়না মতম অমগী টেনিস ষ্টার ওইরম্বী মার্টিনা নভার্টিলোভাবা ফোঙদোকখ্রে।

নাভার্টিলোভানা মখা তারদুনা অমেরিকাগী শান্নরোই অমা ওইরিবী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা হৌজিক ফাওবদা ফংলিবা গ্রান্দস্লাম টাইটল অসি ১৭ শুরে। মহাক্না মখা তানা শান্নদুনা জর্মর্নিগী ষ্টেফি গ্রাফনা থমখিবা গ্রান্দস্লাম ২২ লৌখিবগী রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙম্লবদি ফগনি। হন্দক্কী মেলবোর্নদা পাঙথোক্কদৌরিবা অষ্ট্রেলিয়ান ওপন অসিদসু মহাক্না টাইটল অসি লৌবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোক্লদুনা নবার্টিলোভানা শান্নরোই অসিবু পুক্নিং থৌগৎলক্নি।



নাভার্টিলোভানা মখা তারদুনা মহাক্না হৌজিক লৈরিবা অসিগুম্না মশা মউ খিংনা লৈবা ঙম্লবদি গ্রান্দ স্লামগী টাইটল ২০ লৌবা ঙমগনি। অদুবু স্কাই ইজ দি লিমিট হায়বা ৱাফমসু অহল ওইরবী শান্নরোই অসিনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা ৱিল্লিয়মসনা লৌরিবা গ্লান্দ স্লামগী টাইটল অসি ১৭ নি। লোয়ননা ৱার্ল্ডগী নম্বর ১ সু ওইরি। গ্রান্দস্লাম টাইটল ১৮ লক লৌখিবা অসি ঙসি ফাওবগী ইতিহাসতা মহাক মশা অমদি অমেরিকাগী শান্নরোই ওইনা মহাক্কী মমাংদা লৈরম্বা খৃষ্ট এলবর্টনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, মশাগী চহি ৩২ শুরবী সেরেনানা হৌজিক ফাওবদা সিঙ্গলগী মেটচ ৮২ শান্নখিবদা শুপ্নগী মেটচ ৪ খক মাইথিবা নংখি। মখা তানা ফোঙদোকখিবদা চহি ৩০ হেল্লকপা মতমদা মহাক্কী মশাদা অশোক অপন খরা নংখি। অদুবু হৌজিক ফাওবা মহাক অসি টেনিস হায়বা মশান্না অসিদা অফবা শান্নরোই অমা ওইরি। সেরেনানা ব্রিজবেনি ইন্টরনেস্নেলদা ভিক্টোরিয়া অজারেনকাবু ৬–৪, ৭–৫ দা মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা মাংদা লৈরিবা অষ্ট্রেলিয়ান ওপন অসি শরুক য়ারগনি মসি মহাক্কী খ্বাইদগী পামজবা ইভেন্ট অমসুনি। নবার্টিলোভানা মফম অসিদা হন্দক্কী চয়োলদা ৱার্ল্ড টেনিস চেলেঞ্জগী একজিবিসন ওইনা মফম অসিদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অমদা মহাক্না শান্নরম্বা কয়াদু উৎখি।

## সত্য অমদি সুধানা টাইটল লৌখ্রে

*কোলকটা, জনুৱারী ০৭ঃ* হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা কোলকটা মরাথোন্দা সার্ভিসেসকী সত্য প্রকাশ অমদি সুধা সিংহনা নুপা অমসুং নুপীগী টাইটল লৌখ্রে। মরাথোন অসিদা চাওরাক্না মীওই লিশিং ১২না শরুক য়াখি।

মরাথোন অদুদা শরুক য়াখিবা মরুওইবা মীওইশিংগী মনুংদা ষ্টেট অসিগী গভর্নর এম কে নারায়ননা, ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেইন ওইরম্বা সৌরব গাঙ্গুলি য়াওনা টাটা মেদিকেল সেন্টর ফোর কেন্সরগী মীওই কয়াসু য়াওখি।

আর্মি সিগ্নেল সেন্টর জবলপুরদা লৈবা শান্নরোই সৈত্য প্রকাশনা পুং ২ গা মিনিট ১৯ সেকেণ্ড ৩০ দা লমথুংফম য়ৌদুনা কিলোমিটর ৪২ শাংবা লমজেল অসিগী টাইটল লৌখিবনি। অমরোমদা নুপীগী কাংলুপ্তা এসিয়ান গেমস চেম্পিয়ন ওইখ্রবি সুধা সিংহনা মিনিট ৩৮ সেকেণ্ড ৪ পোইন্ট ৩ দা লমথুংফম য়ৌদুনা টাইটল অসি লৌখিবনি। নুপীগী ওইনা কিলোমিটর ১১ গী রেস পাঙথোকখি।

## কে সি মালিক ফুটবোলদা ৱাই এল সি অনিশুবা টিম ওইনা ফাইনেল চঙখ্রে

*জিরিবাম, জনুৱারী ০৭ঃ* ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেণ্ডরি স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দদা চৎখরকপা ২৩ শুবা কে সি মালিক মেমোরিয়েল ইনভাইটিসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা য়াইফ লমজিং ক্লব দিবোং খুন্নৌ মায় পাক্কুনা ফাইনেল চঙখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা ৭ শুবা আই আর বি উচাথোলনা টোস ঙমদুনা ফিল্ড খনখি। অদুগা য়াইফ লমজিং ক্লব (ৱাই এল সি) না বোল হৌখি। টিম অনিমক্না অপীবা মতমগী মনুংদা গোল অমফাওবা চনবা ঙম্নদবদগী কিকস ওফ দি পেনালটি মাস্কনা দিসাইদ তৌখি। পেনালটি কাউনবা য়াইফ লমজিংলেন ক্লব দিবোং খুন্নৌনা গোল অহুম চনবা ঙমখি। অদুগা ৭ শুবা আই আর বি উচাথোলনা শুপ্নগী গোল ১ খক চনবা ঙমখি।

য়াইফ লমজিংলেন ক্লব দিবোং খুন্নৌগী গোলকিপর কে কোইরেংনা ৭ শুবা আই আর বিগী গোল অহুম সেভ তৌবা ঙমখি। ঙসিগী মেটচ অদুদা ই প্রেমকুমারনা সেন্টর রেফ্রি, ই ইবোতোননা এসিষ্টেন্ট রেফ্রি ৱান, অজিজ হায়দ্রেনা এসিষ্টেন্ট রেফ্রি টু অদুগা ই তোমচৌনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইদুনা কন্দক্ট তৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ লাক্লিবা তাং ১০ দা হান্না ফাইনেল চঙখ্রবা লুংগ্রাইজাং য়ুথ ক্লব কালিনগরগা য়াইফ লমজিংলেন ক্লব অনিনা ফাইনেল শান্নগনি।

## মহেন্দ্রসিংহ ধোনি ১দি সুরেশ রাইনানা সভেন এ সাইদ ক্রিকেট লিগ হৌনবা হোৎনরি



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারী ০৭ঃ* ইন্দিয়াগী টিম কেপ্তেইন ওইবতা নত্তনা চেনাই সুপর কিংগী লুচিংবাঅমসু ওইরিবা মহেন্দ্রসিংহ ধোনি অমদি মহাক্কী টিম মেট সুরেস রাইনা মখোয় অনিনা ইন্দিয়াগী হৌজিক চৎখরিবা ক্রিকেটকী প্রেমিয়র লিগ অসিদা অতোপ্পা মওংগী সভেন এ সাইদ প্রেমিয়র লিগ অমা হৌনবা ক্রিকেটকী অচৌবা অমা ওইরিবা আই সি সি গী লৈফমসু ওইরিবা দুবাইদা চয়োল অসিমক্তদা কেম্পেইন তৌখ্রে।

সভেন প্রেমিয়র লিগ অসি হৌনবগী থৌরাং অসিগা মরী লৈননা মসিদা অচঙবা শেলফম খুদিংমক য়ুনাইটেদ অরাবস ইমরেটতা বেজ তৌবা কোংলো মেরিটেদনা পুথোক্কনি। সভেন এ সাইদ ক্রিকেট লিগ অসিগী অহানবা এদিসন অসি চৎলিবা চহি অসিগী মার্চ থাদা হৌনবা পান্দম থল্লি।

সভেন এ সাইদ ক্রিকেট লিগ অসিদা হৌজিক হৌজিক ইমরেদসকী মনুং চনবা মফমদা লৈবা টিম তরেৎনা শরুক য়াগনি হায়বগী থাজবা পীনখ্রে। থাজবা পীরকখ্রবা মফমশিং অদুদি অবুধাবে, দুবাই, সরজা, অজমন, ফুজাইরহ, রাস অল খাইমাত অমসুং উম অল ক্বিৱাননি। মেটচশিং অসি ওভর ৭ / ৭ না শাবা ইন্নিংস অমদা লৈবাক তরেৎকী খনগৎলবা শান্নরোই ৭ য়াওগনি। মসি ক্রিকেট বোর্দ ওফ ইন্দিয়া, অষ্ট্রেলিয়া, ইংলেন্দ, সাউথ অফ্রিকা, পাকিষ্টান অমদি শ্রীলঙ্কাগী লৈবাকশিংনা য়াবগা লোয়ননা মখোয়গী শান্নরোইশিং লিগ অসিদা শরুক য়াগনি হায়রি।

সভেন প্রেমিয়র লিগ অসি শান্নবগী অয়াবসু ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল অমদি বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়ানা পীরে। অদুবু লিগ অসি আই সি সি না শকখঙলবা টুর্নামেন্ট অমদি ওইরোই হায়রি। টুর্নামেন্ট অসি মায় পাক্না পাঙথোক্কদবা অচৌবা লিগ অমদি ওইগনি। অদুম ওইনমক মসিদা শরুক য়ারিবশিং অদুগা মমিং অমদি ফজদবা ৱাফম কয়া তুংদা থোরক্কনবা হোৎনগনি।

লিগ অসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অদু ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগতা শরুক য়াবা য়ারোই। অদুগা অষ্ট্রেলিয়াগী বিক বাস লিগতসু শরুক য়াবা য়ারোই। অদুম ওইনমক ইন্টরনেস্নেলগী ষ্টার ওইবা শান্নরোইশিং অদুদি মতম মতমগী ওইনা হোংদোক হোংজিন য়াগনি হায়রি।

## মহারাষ্ট্রগা মমাংগী চেম্পিয়ন মুম্বাইগা সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি

*মুম্বাই , জনুৱারী ০৭ঃ* হৌজিক চৎখরিবা রঞ্জি ট্রোফিগী গ্রুপ সিগী তোপ্পর ওইরবা মহারাষ্ট্রগা মমাং চহিগী চেম্পিয়ন মুম্বাইগা হয়েং ৱানখেদি ষ্টেদিয়মদা সেমি ফাইনেল মেটচ শান্নরগনি।

মহারাষ্ট্রনা গ্রুপ সিদা টোপ ওইদুনা সেমি ফাইনেল চঙলকপগা লোয়ননা রঞ্জি ট্রোফিদা ৪০ রক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা গ্রুপ এ দা গুজরাটপু রন ৯৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবা মুম্বাইগা শান্নরগনি। মুম্বাই টিম অসিদা ভেটেরান বোল্লর জাহির খান অমদি ওল রাউন্দর অভিসেক নায়র য়াওগদৌরি।

হোষ্ট টিম অসিদা জাহির খাননা লুচিংগদৌরি। মহাক ইন্দিয়া অমদি সাউথ অফ্রিকা শান্নগদবা টুর মেটচতগী লৈহৌখিবনি। মহাক্কী বোল্লিং অসি ঙসি ফাওবা অদুমক হন্দ্রি। মুম্বাইগী বোল্লিংদা মহাক্না ওপনর ওইনা মহারাষ্ট্র টিমবু লম্বা তৌগদৌরি।

মহারাষ্ট্রগী মায়কৈব্দনা বেটচমেন হরসাদ খাদিৱালানা ওপনর ওইদুনা শান্নগদৌরি। টিম অসিদা য়াওরিবা অতোপ্পা শক্লাইরবা শান্নরোইশিং অদুদি কেদার য়াযব, অনকিদ বাউন অমসুং টিম কেপ্তেইন অমদি ৱিকেট কিপর রোহিট য়াওরি।

টিম অসিগী শান্নরোইশিংগী মনুংদা অন্দর ১৯ এসিয়ান কপতা স্কিপর ওইনা শরুক য়াখিবা বিজয় জোলসু য়াওগদৌরি। বোলিংগী মায়কৈদা লেফ আর্ম স্পিনর ইকবাল অব্দুলা য়াওরি। অব্দুলানা ভালসাদতা গুজরাটকা শান্নখিবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ১১ লৌবা ঙমখি। অহানবা ইন্নিংসতা রন ৪২ পীরগা ৱিকেট ৬ অদুগা অনিশুবা ইনিংসতা রন ৪৪ পীরগা ৱিকেট ৫ লৌবা ঙমখিবা বোল্লর অমনি। মুম্বাইগী মায়কৈদা বিসালনা ৱিকেট ৩৮ লৌরি।

## মণিপুরনা গোল্ড ৩ ব্রোঞ্জ ২ লৌরক্লে

*ইম্ফাল, জনুৱারী ০৭ঃ* মহারাষ্ট্রগী পনভেলদা মমাং থা দিসেম্বর ২৯ অমসুং ৩০ দা পাঙথোকখিবা নেস্নেল ইতোসু রিয়ু করাতি দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৩ দা মণিপুরগী ইতোসু রিয়ু কারাতি–দো মণিপুরনা মেদল ৫ লৌরকখ্রে। চেম্পিয়নশিপ অসি ইতোসু রিয়ু কারাতেদো ইন্দিয়ানা ওল ইন্দিয়া করাতি–দো ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ৩ অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল ২ ফংলকখি। গোল্ড মেদল ফংলকখিবা শান্নরোইশিং অদুদি সেনিয়ার মেন্স কেজি ৬০ গী ইন্দিভিজুয়েল কুমিটতা মণিপুরগী মুঃ সাকির অহমদনা গোল্ড ১, জুনিয়ার বোইজ চহি ১৬–১৭ কীদা ৱাই এম নৱাজ সরিফনা কুমিট অমদি কাতাদা গোল্ড অনি লৌরকখি। ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখিবা শান্নরোইশিং অদুদি মুঃ সকির অহমদনা সেনিয়ার মেন্সকী ইন্দিভিজুয়েল কাটাদা অদুগা এম এম ইস্মাইলনা সেনিয়ার মেন ৬০ কেজিগী কুমিটতা ব্রোঞ্জ মেদল অমগা পুন্না মেদল ৫ অসি ফংলকখিবনি। টিম অসিগী কোচ অমদি মেনেজর ওইনা ইটোসু রিয়ু করাতি–দো মণিপুরগী চিফ ইন্সট্রক্টর সেনসাই এমদি রাফি অহমদনা লুচিংখি।

## ৱার্ল্ড হোকি লীগ য়েংনবা ওলেম্পিয়ান ফাওবা টিকেট ফংদ্রে



*নিউ দিল্লি, জনুৱারী ০৭ঃ* নিউ দিল্লিদা চৎলিবা থা অসিগী ১০ দগী ফেব্রুৱারি ১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা হোকি ৱার্ল্ড লিগ ফাইনেল অসিগী ওইনা টিকেট ফংদবশিংগী মনুংদা ওলেম্পিয়ান ওইরম্বা অমদি ইন্টর্নেস্নেল প্লেয়ার ওইরম্বা কয়া অমা লৈরি।

মখোয়গী মনুংদা অজিৎ পাল সিংহ অমদি আর পি সিংহ য়াওরি। লৈবাক ৮ না শরুক য়াদুনা মেজর ধ্যানচান্দ নেস্নেল ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা হোকি লিগ অসিবু য়েংননবা মতম অমগী ওলেম্পিয়ানশিং অমদি হোকি ইন্দিয়াগী সেলেক্টর ওইরিবা মীওই কয়ানা টিকেট পীবীনবা শিল্লি লাংলিবা কম্মিটিদা হায়রক্লি।

হোকি ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি জেনরেল নরেন্দ্র বত্রানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী হোকিগী ওলেম্পিয়ান অমদি ইন্টর্নেসনেল প্লেয়ার কয়ানা য়েংগনি হায়বসি ঐখোয়গী হোৎনজমন্নি। মখোয়না লীগ অসি য়েংবা মতমদা ইন্দিয়া টিমদা চাওনা সপ্পোর্ট ফংগনি অমদি ইন্দিয়াগী হোকি টিমগী অচৌবা গেন অমা ওইগনি। লৈবাক নিপাল অসি গ্রুপ অনি থোক্না খায়দোক্কুনা টিম মরি মরি থল্লি। অহৌবা নুমিৎকী অনিশুবা মেটচতা ইন্দিয়ানা ইংলেন্দগা শান্নগনি। তাং ১১ দা নিউজলেন্দগা অদুগা তাং ১৩ দা জর্মনগা শান্নগনি হায়রি।

## রোহন বোপানা ১ দি মহাক্কী টিমনা মায় পাকখ্রে

*সিদনি, জনুৱারী ০৭ঃ* ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি পাকিষ্টানগী আইসম উল হক কুরেসিগী অপুনবা দবল টিমনা এ টি পি অপি ইন্টরনেস্নেলদা অহানবা ওইনা মায় পাকখ্রে।

অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দো পার্ককী দবল টিম অসিনা জেন জুলেন রোজর অমদি হোরিয়া তেকাওবু পুং ১.৪৫ দা মায়থিবা পীখিবনি। মখোয়না অহানবা সেটতা ৭–৬ (৫), ৬–৭ (২) অদুগা ১০–৩ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মখোয়গী মথংগী মেটচতা ট্রেদ হুয়ে অমদি ব্রিতোন দোমিনিক ইদলোদকা শান্নগনি। ফিলিপেনগী দবলস টিম অসিনা স্পেইনগী পব্লো অনদুজর অমদি দ্রাভিদ মারেরোবু ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা দোল্লর ৫,১১,৮২৫ কী চেম্পিয়নশিপ অসিদা অহানবা রাউন্দ মায় পাকখিবনি।

ভোপানা অমদি কুরেসি অসি হৌখিবা চয়োলদা চেন্নাই ওপনগী ফাষ্ট রাউন্দদা সিজন অসি হৌরকপগী অহানবা মেটচতা মায়থিবা নংখিবা শান্নরোইনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী লিয়ান্দর পেজ অমদি মহাক্কী চেককী পার্টনর রাদেক ষ্টেপানেক্কী জুরানা ফ্রেন্দসকী পেয়ার ওইরিবা জুলেন বিনিতস অমদি ইদৌর রোজর বেন্সেলিনগা শান্নগনি। মখোয় অনিগা থেংনগদৌরিবা শান্নরোই অনি অসিগী মনুংদা ভেন্সেলিনদি চেন্নাই ওপনগী সিঙ্গলসতা রনর্স অপ তাখিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সোমদেব দেব বরমননা সিঙ্গলগী ক্বালিফাই ওইনবা রাউন্দ শান্নবগী মেন ড্রোদা সেকেণ্ড রাউন্দদা মায়থিবা নংদুনা টুর্নামেন্ট অসি শরুক য়াখিদ্রে।



নিলেনিয়ম ইনষ্টিটিউট অব সায়েন্সেস

# Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

# MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

## Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B

# ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)

URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR

MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh.(LFS) 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph) 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) 20th RANK | (78.4%) |

MEGA MOCK TEST 2014

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726